# স্বিদিশ জর্নেলিষ্ট নুপী কিম ৱালগী মকোক কোপেনহাগিন মনাক্কী ঈশিংদা লৈরস্বা থেংনখ্রে



কোপেনহাগিন, ওক্টোবর ০৭(এজেন্সি) :
থা অনীগী মমাঙদা দেনিস সবমেরিনর অমগা চৎমিন্নখিবদগী থিবা খঙলকখিদ্রবা স্বিদিশ জর্নেলিষ্ট নুপী কিম ৱালগী মকোক ফংলে হায়না দেনিস পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

কিম ৱালগী মকোকতু খাউ অমদা খোঙ অনীগা লোয়ননা য়াওরমখি হায়না কোপেনহাগিন পুলিসকী ইন্সপেক্টর জেনস মোলরনা ফোঙদোকখি। অতোপ্পা খাউ অমদনা মহাক্কী মাঙখিবা ফীরোলশিং য়াওরমখি। জর্নেলিষ্ট ৱালগী মপূং ওইবা হকচাং অদু হৌখিবা ওগষ্ট ১০ দা মহাক্না পিটর মাদসেনগী সবমেরিনদা কাখৎখিবা মতুং নুমিৎ ১১ নি লৈরগা কোপেনহাগিনগা তাইনবা সীগী শরুক্তা থেংনখিবনি।

মশাগী চহী ৪৬ শুরবা দেনিস সবমেরিনর অদুনা ৱালবু মহাক্না হাৎখিবগী ৱাফম যাদ্রি।

নুপী অদুগী অশিবা হকচাংগী শরুক কয়া মহাক্না তোঙান তোঙান্না তাহনখি হায়বা চার্জসু মহাক্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

ইন্সপেক্টর মোলরনা হায়খি, হকচাংগী শরুকশিংদু কোপেনহাগিনগী অকোইবা ঈশিংগী শরুকশিংদা কয়ারক হন্না ইরুপ্তুনা থিরবা মতুংদা ফংখিবনি অমসুং মখোয়দু মেটল মচেৎ-মকায় কয়ানা লুমথহল্লবা খাউশিংদা য়াওরম্বনি।

'ঙরাং অহিং ঐখোয়গী ফোরেন্সিক দেন্টিষ্টনা মদু কিম ৱালনি হায়না কনফার্ম তৌখি' হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি। মখা তারদুনা মহাক্না ৱালগী স্কলদা ফ্রেকচর অমৎতা য়াওরমদে হায়নসু ফোঙদোকখি।

খাউশিংদু ওগষ্ট ২১ দা ৱালগী মপূং ওইবা হকচাংগী শরুক থেংনখিবা মফমদুদগী কিলোমিটর অমতমক লাপথোক্লা লৈরম্বা থেংনখিবনি। পোষ্ট মোর্টেম ইগজামিনেসন অমদা মহাক্কী ফিনুংগী হকচাং অমসুং শরু পোলাংদা থাঙনা শোকপগী মফমশিং থেংনখি। মখোয়দু মহাক্না শিরমদাইদা নৎত্রগা শিরবা মতুং পংশাং শাংনা কান্নদনা থোকহনখিবনি হায়না থাজনরি।

হৌজিক ফাওবগী ওইনদি ৱালনা শিখিবগী চপ চাবা মরম লেপত্রি। মশাগী চহী ৩০ শুরবা জর্নেলিষ্ট ৱালনা ইকোন কোন্না হিংনা উখিবসি মাদসেনগা লোয়ননা মহাক্কী মশানা শাজখিবা টন ৪০ গী সবমেরিন - য়ু সী ৩ নাউটিলসতা তোংমিন্নখিবা নুমিৎ হৌখিবা ওগষ্ট ৩০ গী নুমিদাংনি হায়রি। মহাক মাদসেনগী খুদোংথীনিঙাই ওইরবা ঈশিং মনুংগী খোঙচৎকী মরমদা মহাক্না ইরিবা ষ্টোরি অমগী মচাক লৌনবা সবমেরিন অদুদা তোংখিবনি।

# রোহিংয়া লালহৌবশিংনা গভর্নমেন্টকা পীছ লিংমিন্ননিংবগী অপাম্বা ফোঙদোকখ্রে

য়াঙ্গোন, ওক্টোবর ০৭(এজেন্সি) :
ম্যান্মার গভর্নমেন্টনা থাংলকপা পীছকী খোঙথাংদা মখোয়না রেস্পোন্দ তৌনবা শেম-শাদুনা লৈ তৌইগুম্বসুং ঈরাং লৈবা রখাইন ষ্টেটতা তেংবাংগী পোৎলমশিং থাজিনবা য়ানবা মখোয়না লাউথোকখিবা থা অমগী সীজফায়র অদুদি লোইরক্তদৌরে হায়না মুস্লিম রোহিংয়া লালহৌবশিংনা থাংজ নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

নিংথৌকাবগী অহিং নোংয়াইদা সীজফায়র লোইরবা মতুংদা মখোয়না করি খোঙথাং লৌখৎকদগে হায়বগী মতাংদদি অরাকান রোহিংয়া সালভেসন আর্মি (অর্সা) না করিমৎতা পনখিদ্রবসু মখোয় রোহিংয়া মীয়ামগী মায়োক্তা চথুরিবা ওৎ-নৈবগী থৌওংশিং লোইশিন্নবা লেপ্লে হায়খি।

তাঙ্কক অমদা হেক্তা বর্মিজ গভর্নমেন্টনা পীছ লিংমিন্নবগী অপাম্বা ফোঙদোরক্লবদি অর্সানা মদুবু তরাম্না ওক্কনি অমসুং চান্ননা পাউখুম পীগনি হায়না গ্রুপ অদুগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি।

অর্সাগী ৱাফম অসিগী মতাংদা



খুদক্কী ওইনা কম্মেন্ট লৌনবা হোৎনবদা গভর্নমেন্টকী স্পোক্সমেন অমৎতা ফংখিদে। অর্সানা সেপ্টেম্বর ১০ দগী থা অমগী সীজফায়র লাউথোকখিবা মতুংদা গভর্নমেন্টকী স্পোক্সমেন অমনা 'ঐখোয় টেররিষ্টশিংগা ৱারী শানবগী পোলিসি লৈতে' হায়না ফোঙদোকখিবনি।

রেবেলশিংনা হৌখিবা ওগষ্ট ২৫ দা পেন্নদ্রবা রোহিংয়া খুঞ্জা চা কয়াগী মতেংগা লোয়ননা সিক্যুরিটি পোষ্ট ৩০ অমসুং আর্মি কেম্প অমদা কোওর্দিনেটেদ এটেকশিং চথুখি অমসুং মীওই দজন অমরোম হাৎখি। এটেকশিং অদুদা শরুক য়াখিবা রোহিংয়া কয়ানা থাঙ অমসুং চৈতুপ-ৱাতুপশিং খুৎলাই ওইনা শীজিন্নখি। মদুগী পাউখুম ওইনা মিলিটরিনা রখাইন ষ্টেটকী অৱাং থংবা লমদমদা লালহৌবশিং তকথোকপগী অকনবা কেম্পেন অমা হৌখি। কেম্পেন অদুদা খাঙবা ৱারবা রোহিংয়া খুঞ্জা মিলিয়ন তঙ্খাই অমা হেন্না লমদম অদু থাদোক্তুনা বাংলাদেশতা চেন্নখি। শাথীরবা মিলিটরি কেম্পেন অদুবু য়ুনাইটেদ নেসন্সনা মাইনোরিটি কাঙলূপ অমা মুথৎনবগী শেংলবা টেক্সবূক ইগজাম্পল অমনি হায়না ফোঙদোকখি।

অমরোমদা য়ু এনগী ৱাফম অদুবু ম্যান্মারনা য়াদবগা লোয়ননা লাঞ্জং অদুদা মীচমশিংদা এটেক তৌবা অমসুং খুল কয়া মৈ থাবা টেররিষ্টশিংনা অয়াম্বা ওইদুনা মীওই ৫০০ হেন্না হাৎখ্রে হায়না ফোঙদোকখি।

হৌখিবা চহীগী ওক্টোবরদা থোক্লকখিবা অর্সাগী ম্যান্মার আর্মিবু শীংনবা ঙম্বগী মতিক-মঙমগী মরমদা থোইদোক্লা খঙবা লৈত্রবসু গ্রুপ অসি হৌখিবা ওগষ্টতা হৌখিবা মিলিটরি ওফেন্সিভ নীংথীনা মায়োক্লবা ঙম্বগী মওংদা লৈ হায়না লৌনদে।

মিলিটরিনা মীচম মীয়াম তাম্থোক্তুনা গ্রুপ অসিগী রিক্রুটশিং, চীঞ্জাক, ফন্দ অমসুং ঈ-পাউ লৌফম অমৎতা লৈত্রবা ফিভম অদুদা লালহৌবশিংদুনা ওপরেট তৌবগী ৱাফম অসি চিংননিঙাই ওইরি হায়রি।

অর্সানা গভর্নমেন্টবু রোহিংয়াশিং লৈহন্দনবা হাৎপা তুপ্পা, মৈ থাবা অমসুং রেপ তৌববু খুৎলাই ওইনা শীজিন্নৈ হায়না মরাল শীখি।

# পি আই এনা ওক্টোবর ৩১ দগী য়ু এসতা পাইগদবা ফ্লাইট অমৎতা থম্লরোই

*ইস্লামাবাদ, ওক্টোবর ০৭(এজেন্সি) :*
*পাকিস্তানগী ফ্লেগসিপ কেরিয়র পাকিস্তান ইন্টরনেস্নেল এয়রলাইন্সনা ওক্টোবর ৩১ দগী য়ু এসতা ফ্লাইটশিং পাইবা লেপহন্নবা ৱারেপ লৌরে হায়না এয়রলাইনগী ওফিসলশিংনা ইরাই নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে। শেল কা হেন্না মাঙমনবদগী খোঙথাং অসি লৌরক্লিবনি হায়রি।*

*এয়রলাইনগী ওফিসলশিংদুগী মতুং ইন্না, য়ু এসকী ওপরেসনশিংদুনা মরম ওইদুনা চহী খূদিংগী পি আই এনা লূপা বিলিয়ন ১.২৫ মাঙদুনা লাকখি। মসিনা মরম ওইদুনা মেনেজমেন্টনা য়ু এসতা পাইগদবা ফ্লাইটশিং মখা তানা থমদনা ৱারেপ লৌরকপনি হায়না জিও ন্যুজনা ফোঙদোকখি।*

*ওক্টোবর ৩১ গী মতুংদা এয়রলাইন অসিনা মসিগী রিজর্ভেসন সিষ্টেমগী খুত্থাংদা মখা তানা য়ু এসকী ফ্লাইটশিং বুক তৌহনখিদ্রে। পি আই এনা কুমজা ১৯৬১ দগী য়ু এসতা পাইবা ফ্লাইটশিং লেপ্তুনা ওপরেট তৌদুনা লাকখি। ন্যু য়োর্ক অমসুং অতৈ য়ু এসকী সিটি অহুমদা পূন্না চয়োলগী ফ্লাইট মঙা ওপরেট তৌখিবনি।*

*শেল মাঙবনা মরম ওইদুনা এয়রলাইন অসিনা মমাঙদা য়ু এসতা পাইবা ফ্লাইটশিং লেপ্পনবা ৱারেপ কয়ারক হন্না লৌখ্রে। অদুম ওইনমক অদুগুম্বা ৱারেপ খূদিংগী পোলিটিকেল প্রেসর মায়োক্লখি অমসুং এয়রলাইন অসিগী থৌরাংশিংদা অপনবা থোকখি হায়না ৱাফম অসিগী মতাংদা মুন্না খঙবা সোর্ছশিংনা জিও ন্যুজদা ফোঙদোকখি।*

*দ্যুঅল সিটিজনসিপ পায়বা পোলিটিসিয়ন খরা, গভর্নমেন্টকী টোপ ওফিসলশিং অমসুং পাইলোটশিংনা এয়রলাইন অসিদা য়ু এসকী ফ্লাইট ওপরেসনশিং লেপ্তনবা প্রেসর পীখি। ফ্লাইটশিং অসি পোলিটিসিয়নশিং অমসুং ওফিসলশিংদদি কান্নখি হায়না সোর্ছশিংদুনা ফোঙদোকখি।*

*য়ু এসতা পাইবা ডাইরেক্ট ফ্লাইটশিং লেপ্পবা মতুংদা পি আই এনা অমেরিকান এয়রলাইন অমগা কোদ-স্যেরিং এগ্রীমেন্ট অমা সাইন তৌনগনি। য়ু এস য়ৌগদবা পেসেঞ্জরশিং লন্দনদা পাইগনি অমসুং অমরিকান এয়রলাইনদা হোংজিল্লবা মতুংদা মখোয় য়ু এস পাংনা অমুক পাইখিগনি।*

*অসিগুম্বা কোদ-স্যেরিং এগ্রীমেন্ট অসিনা পি আই এগী শেল মাঙবা থিংবদা মতেং পাংগনি হায়না রিপোর্ট অদুনা ফোঙদোকখি।*

# তোখায়না তাবা য়ানিংদবশিংনা স্পেনগী মফম কয়াদা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে

মাদ্রিদ, ওক্টোবর ০৭(এজেন্সি) :
কাটালোনিয়াদা পাঙথোকখিবা লোনা অথিংবা থমখিবা নীংতমবগী রেফরেন্দমগী মায়োক্তা ঙসি মীওই লীশিং কয়ানা মাদ্রিদ অমসুং বার্সিলোনাগী লম্বীশিংদা রেলিশিং চৎতুনা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে।

কেপিটেল মাদ্রিদকী প্লাজা দি কলোনদা য়াল্লবা মীয়াম্না স্পেনিস ফিরালশিং হায়খি অমসুং কাটা-লোনিয়ানা তোখায়না তাবগী ৱাফম য়ানিংদবা উৎপা পোষ্টরশিং পুদুনা প্রোটেষ্টকী খোঙচৎশিং চৎখি।

চৈরকসিদা অঙৌবা ফিজোল শেৎপা মীওই কয়ানা মাদ্রিদ অমসুং কাটালান কেপিটেল বার্সিলোনা অনীমক্তা পূন্দুনা 'ঐখোয় ৱারী শানগদ্রা' হায়বা খোল্লাউগা লোয়ননা স্পেনগী পোলিটিসিয়নশিংদা পাউজেল অমা পীখ্রে হায়রি।

রেলিশিং অদুবু শিল্লি-লাংলিবশিংনদি মীয়ামদা স্পেনিস নৎত্রগা কাটালানগী ফিরাল অমৎতা পুরক্তনবা অমসুং অঙৌবা ফিজোলশিং শেৎনবা হায়খিবনি হায়রি।

অথিংবা থম্ন-থম্না পাঙথোকখিবা



নীংতম্বগী ভোট অদুদা পুলিসনা চথুখিবা কা হেনবা থৌওংশিংদা অশোক-অপন নংখিবা কাটালানশিংদা মাদ্রিদনা অহানবা ওইনা ঙাকপীনবা হায়জখিবা মতুংদা ক্রাইসিস অদু লোইশিনবা য়াগনি হায়না নাকল অনীমক্তা থাজনখিবা লৈরবসু প্রোটেষ্টশিং অদু পাঙথোকখিবনি।

কাটালান লীদরশিংনা মখোয়গী ওইবা ৱারেপ অমা লৌদুনা লমদম অদু নীংতল্লে হায়না লাউথোক্লগনি হায়না কিহনখিবদা স্পেনিস প্রাইম মিনিষ্টর মারিয়ানো রাজোয়নসু মখোয়বু থিংগনি হায়না চেৎনা লাউথোকখি। বার্সিলোনা অমসুং রিঅল মাদ্রিদকী ফুটবোলরশিংনা ফাওবা নুংনাংবা ফোঙদোক্লিবা য়েৎনবগী ফিভম অদুবু ৱাতেম্বগী ৱাফম খূদিংমক নাকল অনীমক্লা রিজেক্ট তৌখি।

ডিকেদ কয়ামুক্কী মনুংদা থোক্লিবা স্পেনগী খ্বাইদগী লুবা পোলিটিকেল ক্রাইসিস অদুনা টুরিষ্টশিংনা পাম্নবা মীওই মিলিয়ন ৭.৫ লৈবা অৱাং-নোংপোক্কী লমদম অদুদা মখা তানা ঈরাং থোক্লকপা য়াই হায়বগী অকিবা হেনগৎহনখি। স্পেনগী শেল-থুমগা মরী লৈনবা থবক থৌরম পূম্নমক্কী শরুক মঙা থোকপগী অমদি কাটালোনিয়ানা স্যের তৌরিবনি।

য়ুরোপকী মরা চেৎপা ফিভম কায়হল্লকপা য়াবগী ফিভম লৈবা পোলিটিকেল কনফ্লিক্ট অদুদা ষ্টেকহোল্ডরশিংনা মখোয়গী খোঙফমশিং হন্দোক্লরকপা য়াবগী মমি খরা অহানবা ওইনা ইরাই নুমিৎতা উবা ফংখি।

নুমিৎ কয়ানি অকনবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্তুনা লাক্লবা মতুংদা সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টনা পুলিসনা অশোক-অপন কয়া থোকহনখিবদুগীদমক্তা নুংনাংবা উৎখি অমসুং ক্রাইসিস অদু লৈখাই তানবা রিজনেল মীখল অমা পাঙথোক্লবগী ৱাফম কাটালোনিয়াদা হৌদোকখি।


চৈরকসিদা, রিজনেল প্রসিদেন্ট কার্লেস পিগদেমোন্টগা নক্লবা মীচং অমা ওইরিবা কাটালান গভর্নমেন্টকী মিনিষ্টর শান্তি ভিলানা পব্লিক ব্রোদকাষ্টরদা হায়খ্রে মদুদি মাদ্রিদনা মখা তাবা ফাবা পুনবগী থবক কয়া পায়খৎলক্তনবা য়েৎনবগী ফিভমদুদা মহাক্কী মায়কৈদগী 'সীজফায়র' অমা খন্নবা য়াই।

# *কুলভুশন জাধব কেস :* পাকিস্তাননা ইন্টরনেস্নেল কোর্ট ওফ জষ্টিসতা ইন্দিয়াগী পাউখুম পীনবা শেম-শারি

ইস্লামাবাদ, ওক্টোবর ০৭(এজেন্সি) :
ইন্দিয়ন নেস্নেল কুলভুশন জাধবতা পীখিবা শিবগী চৈরাক্কী মায়োক্তা ইন্দিয়ানা ইন্টরনেস্নেল কোর্ট ওফ জষ্টিসতা সবমিট তৌখিবা মেমোরিএল (রেপ্রজেন্টেসন) গী পাউখুম ওইনা পাকিস্তাননসু লৈবাক অসিগী অইবা ৱারোল পীশিন্নবগী প্রোসেস হৌখ্রে।

মশাগী চহী ৪৬ শুরবা থবক্তগী পোথারবা ইন্দিয়ন নেভিগী ওফিসর জাধব হৌখিবা কুমজা ২০১৬ কী মার্চতা বালোচিষ্টানদগী পাকিস্তানগী সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা ফাখি অমসুং মিলিটরি কোর্ট অমদা ৱায়েল চৎথখি। কোর্ট অদুনা মহাকপু অরোন-অথুপকী থবকশিং তৌবা অমসুং ওথোরিটিশিং শীংনবগী মরালদা শিবগী চৈরাক পীখি।

আই সী জেনা পাকিস্তানদা কোর্টনা মখা তাবা প্রোসীদিংস লৌখৎত্রিঙৈগী মমাঙ ডিসেম্বর ১৩ ফাওবগী মনুংদা



অইবা পাউখুম নৎত্রগা মেমোরিএল সবমিট তৌনবা খঙহনখি।

পাকিস্তানগী ফোরেন ওফিসকী সোর্ছশিংগী মতুং ইন্না, এটোর্নি জেনরেল অশতর ঔসফ অলিনা প্রীসাইদ তৌদুনা ওক্টোবর ৬ তা লো এক্সপার্টশিং অমসুং ফোরেন এফেয়র্স মিনিষ্ট্রিগী ওফিসলশিং অমসুং অতৈ মরী লৈনবা ডিপার্টমেন্টশিংগী ওফিসলশিংনা শরুক য়াবা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা আই সী জিদা পীগদবা অর্গ্যুমেন্টশিংগী মরমদা খন্নখি।

ইন্দিয়ন নেস্নেল জাধব অসি পাকিস্তানদা গভর্নমেন্ট ওথোরিটি চাং তাহন্নবগী থবক কয়া পাঙথোক্লবা হোৎনবা সর্ভিসতা লৈবা ইন্দিয়ন স্পাই অমনি হায়বা ঐখোয়গী পোজিসন অসি ঐখোয়না পাঙ্গল থোক্লা ডিফেন্দ তৌগনি হায়না সোর্ছশিংদুনা ফোঙদোকখি।

চৈরকসিদা ঔসফ অলিনা দোন পাউচেদা হায়খ্রে মদুদি, লৈরিবা ফিভমদুগী মতাংদা খন্ননবা অমসুং ইস্লামাবাদকী ৱাফম মুন্না লেপথোক্লবা অমসুং মদুবু ইন্দিয়ানা ফোঙদোক্লিবা ৱাফমশিংগী পাউখুম ওইহনবা য়ানবগী মীফমশিং চয়োলগী ওইনা পাঙথোক্লবা ফোরেন ওফিসনা ৱারেপ লৌরে।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়খি মদুদি, মখোয়না অহানবদা পাকিস্তানগী কেস প্লীদ তৌখিবা খাৱার কুরেসি য়াওনা মরী লৈনবা ষ্টেকহোল্ডরশিং পাউ ফাওনদুনা পাকিস্তানগী মায়োক্তা শীরিবা মরাল পূম্বা কক্ননবা অরিংবা পাউখুম অমা পীনবা শেম-শারি।

এটোর্নি জেনরেলগী ওফিসসু কেস অদুগী চে-চাংশিং শেম-শাবা অমসুং ইন্দিয়ানা জম্মু অমসুং কাশ্মিরদা মীওইবগী হক খোঙ্গাওনবা অমসুং মীওৎ-মীনৈগী থৌওংশিং চথবগী ইভিদেন্স ওইবা য়াবা মচাক কয়া খোম্বদা থবক চিল্লি হায়নসু দোননা ফোঙদোকখি।

হৌখিবা ওক্টোবর ৫ দা পাকিস্তান আর্মিনা হায়খি মদুদি জাধবতা মীনুংশি উৎপীনবা থারকখিবা পীটিসনগী মতাংদা ৱারেপ অমা মখোয়না থুনা লৌরগনি। 'কুলভুশন জাধবকী মর্সি পীটিসন আর্মি চীফতা থারক্লে। হীরম অসিগী মতাংদা প্রোসেস অমা লৈ। তৌইগুম্বসুং প্রোসেস অদু লোইশিনবা য়াবগী ফিভম নকশিল্লকপগা লোয়ননা হীরম অসিগী মতাংদা ঐখোয়না থুনা নখোয়দা পাউ পীরগনি' হায়না আর্মিগী স্পোক্সমেন মেজর জেনরেল অসিফ ঘাফূরনা পাউমীশিংদা হায়খি।

# নোর্থ কোরিয়ানা অশানবা মিসাইল চাংয়েং তৌনবা শেম-শারি : রিপোর্ট

মোস্কো, ওক্টোবর ০৭(এজেন্সি) :
য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী নোংচুপ থংবা কোষ্ট য়ৌবা ঙমগনি হায়না পিয়োংয়াংনা থাজজবা অশানবা মিসাইল অমা চাংয়েং তৌনবা নোর্থ কেরিয়ানা শেম-শারি হায়না পিয়োংয়াংদা খোঙচৎ অমা চৎলুবদগী হল্লকখিবা রশিয়ন লোমেকর অমনা ইরাই নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

রশিয়ন পার্লিয়ামেন্টকী লৱর হাউসকী ইন্টরনেস্নেল এফেয়র্স কম্মিটিগী মেম্বর অমা ওইরিবা এন্টোন মোরোনোভ অমসুং অতৈ রশিয়ন লোমেকর অনী হৌখিবা ওক্টোবর ২ দগী ৬ ফাওবা পিয়োংয়াংদা খোঙচৎ অমা চৎখি হায়না রশিয়ন ইনফোর্মেসন এজেন্সি (আর আই এ) না ফোঙদোকখি।

'মখোয় অশানবা মিসাইল অমগী অনৌবা চাংয়েংশিং পাঙথোক্লবা শেম-শারি। মখোয়না ঐখোয়দা



মখোয়গী মিসাইলদু য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী ৱেষ্ট কোষ্টতা হিট তৌবা ঙমগনি হায়না প্রুভ তৌরদুনা কালক্যুলেসন কয়াসু উহনখি হায়না আর আই এনা মোরোনোভকী ৱারোল পল্লদুনা হায়খি।

ঐখোয়না খঙবা ঙম্বদা মখোয় অথুবা মতমগী মনুংদা অশানবা মিসাইল অমসু চাংয়েং তৌবা পামই। মখোয়গী মূদতু লান পাম্বগী মওং মাল্লি হায়না মোরোজোভনা ফোঙদোকখি।

পিয়োংয়াংনা য়ু এসকী মপুংলম য়ৌবা ঙম্বা ন্যুক্লিয়র খুৎলাই য়াওবা মিসাইল অমা পুথোকপগী পান্দম য়ৌনবা চঙশিল্লকখিবদা মিসাইল চাংয়েং কয়া পাঙথোকখিবা অমসুং হাইদ্রোজেন বোম অমা ফাওবা পোকখায়হন্দুনা চাংয়েং তৌখিবগা লোয়ননা নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়র খুৎলাই অমসুং মিসাইল প্রোগ্রামশিংগা মরী লৈননা হন্দক চয়োল খরা অসিদা উংখৎনবা হেনগৎলকখিবনি।

# রশিয়াগী এয়র ষ্ট্রাইকশিংদা ইস্লামিক ষ্টেটকী ফাইটরশিং অমদি মার্সিনরি কয়া হাৎখ্রে

মোস্কো, দমাসকস, ওক্টোবর ০৭ (এজেন্সি) :
ইস্লামিক ষ্টেটকী ফাইটর ১২০ অমসুং মীরৈবাক্কী মার্সিনরি ৬০ হৌখিবা পূং ২৪ অসিদা পরিং নাইনা চথুখিবা রশিয়ন এয়র ষ্ট্রাইকশিংদা শিখ্রে হায়না মোস্কোদা ডিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা থাংজ নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

মায়াদীন এরিয়াদা টেররিষ্টশিংদুগী কম্মান্দ পোষ্ট অমা মাঙহন-তাকহনখিবদা নোরদর্ন কোকেসসতগী মীওই মাপন য়াওনা আই এসকী ফাইটর ৮০ ফাওবা হাৎখি। আই এসকী ফাইটর ৪০ দি অলবু টাউনগী অকোইবদা হাৎখি হায়না মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখি।

দৈইর ইজোরগী খারোমদা চথুখিবা অতোপ্পা এয়রষ্ট্রাইক অমদসু হান্নগী সোভিয়েট য়ুনিয়ন, টুনিজিয়া অমসুং ইজিপ্টতগী ফোরন মার্সিনরি ৬০ হেন্না শিখ্রে হায়রি।

রশিয়ন ডিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা হায়খি মদুদি, ফোরন মার্সিনরি ময়াম অমা ইরাকতগী সিরিয়াগী বোর্দর টাউন



অলবু কামলদা হাইজিল্লকখি।

মায়াদীন অসি সিরিয়াদা লৈবা ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপকী অরোইবা লানবনশিংগী মনুংদা অমনি। দৈইর ইজোরদা চঙশিনখিবা লাঞ্জংশিংদা রশিয়ন অমসুং কোলিসননা চথুখিবা এয়র রেইদশিংদা মীচম মশিং য়াম্না শিখি।

বৃটেনদা বেজ ওইবা সিরিয়ন ওবজর্ভেটরি ফোর হ্যুমেন রাইটসনা ফোঙদোকখি মদুদি, শগোলশেন নুমিৎকী অহিংদা রশিয়ন প্লেনশিংনা চথুখিবা ষ্ট্রাইকশিংদা অঙাং অহুম য়াওনা মীচম ১৪ শিখি। মখোয় মায়াদীন মনাক্তা রাপটশিংদা তোংদুনা য়ুফ্রেটিস তুরেল লাল্লিঙৈদা চথুরকখিবা এয়রষ্ট্রাইকতা শিখিবনি।

কুমজা ২০১৫ দা রশিয়ানা ফোর্স শীজিন্নদুনা সিরিয়াগী মুক্লবগী ফিভমদা য়াওশিনখিবদগী চথুরকখিবা এয়রষ্ট্রাইকশিংদা মীশি মীনা কয়া থোকখিবগী ৱাফম অসি মোস্কোনা য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা লাক্লি অমসুং ওবজর্ভেটরি অদুগী পাউদমবু মীচং মীখাই নাই হায়রি।

# য়ু এস ষ্টেট ডিপার্টমেন্টনা সাউদি অরাবিয়াদা থাদ মিসাইল ডিফেন্স সিষ্টেম য়োন্নবগী অয়াবা পীখ্রে

ৱাশিংটন, ওক্টোবর ০৭(এজেন্সি) :
সাউদি অরাবিয়াদা চাওরাক্লা য়ু এস ডোলর বিলিয়ন ১৫ দা থাদ এন্টি-মিসাইল ডিফেন্স সিষ্টেম অমা য়োনবগী ৱাফম য়ু এস ষ্টেট ডিপার্টমেন্টনা অয়াবা পীরে হায়না পেন্টাগোননা ইরাই নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে। রিজনেল থ্রেটশিংগী মরক্তা ইরাননা মরুওইনা পল্লদুনা সাউদি অরাবিয়াদা এন্টি-মিসাইল ডিফেন্স সিষ্টেম অদুবু য়োনবগী অয়াবা পীখিবনি।

ষ্টেট ডিপার্টমেন্টনা অয়াবা পীখিবগা লোয়ননা সাউদি অরাবিয়ানা টর্মিনেল হাই অল্টিট্যুদ এরিয়া ডিফেন্স (থাদ) লোঞ্চর ৪৪ অমসুং মিসাইল ৩৬০ লোয়ননা ফায়র কন্ট্রোল ষ্টেসনশিং অমসুং রাদরশিং লৈবা য়াবগী লম্বী ফাৎখ্রে হায়রি।

এন্টি-মিসাইল সিষ্টেম অসিবু য়োনবগী ৱারেপ অসিনা ইরানিয়ন অমসুং অতৈ রিজনেল থ্রেটশিংগী মায়োক্তা গল্ফকী লমদম অমসুং সাউদি অরাবিয়াগী তুং কোইনগী সিক্যুরিটি শৌগৎপদা নৎতনা য়ু এসকী নেস্নেল সিক্যুরিটি ১ অমসুং ফোরেন পোলিসি ইন্টরেষ্টশিংবুসু শৌগৎলি হায়না পেন্টাগোনগী ডিফেন্স সিক্যুরিটি কোওপরেসন এজেন্সিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখি।

মিদ্দল ইষ্টতা ইরাননা অকন-অরিংগী থৌওং



কয়া চথবগী মওংবু সাউদি অরাবিয়া অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা লাকখি।

ইরানসু মিদ্দল ইষ্টতা খ্বাইদগী চাউবা বলিষ্টিক মিসাইল প্রোগ্রামশিংগী মনুংদা অমা পায়খৎলিবনি। প্রোগ্রাম অদু য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং অতৈ য়ানদবশিং মরুওইনা গল্ফ অরাব ষ্টেটশিং অমসুং ইজরেলগী মায়োক্তা ঙাক-শেনগী চেকশিন থৌরাং ওইনা পায়খৎলিবনি হায়না টেহরাননা ফোঙদোকখি।

থাদ মিসাইল সিষ্টেমশিং অসি বলিষ্টিক মিসাইল এটেকশিং ঙাকথোক্লবগীদমক্তা ডিপ্লোই তৌনৈ।

সাউদি অরাবিয়ানা রন তৌবা অল অরাবিয়া টেলিভিজননা শগোলশেন নুমিৎতা পীখিবা পাউদম অমদা নিংথৌ লৈবাক অসিনা রশিয়াদগী এস-৪০০ সর্ফেস-টু-এয়র মিসাইল সিষ্টেমশিং লৈবগী ৱাফম য়ানরে হায়নসু ফোঙদোকখিবনি।